# ‘‘ইচাশিংদা নমা ঐনা খুরুমদুনা হায়জরি’’ কবুই ইমাদুগী ৱাহৈদো

## থাংজমচা দামু খাবা

*ঐগী* ঐগী অনিংবা অপান্বদা মনীং তম্না হিংচা-য়াইতম্নরবা মতমসিদা কনানা কনাগী ৱাবু তারি? তারোই কনাসু তারোই, ফত্তবদা ঙম্না মরিন খাবা, থৌনা ফবা ঙাক্তনি। লমদমসিগী মীওই খুদিংমক লুচিংবা ঙাক্তা ঙায়রবা, অকনবগী অকনবা ঙাক্তা ওইরবা, তাথোক তাশিন য়াদ্রবা, ফৈ-ফত্তে হায়না খাল্লুবদা য়েক্নবগুম খল্লবা, তুংগী খন্দ-য়েংদনা হায়নীংবদা হায়বা, তৌনিংবদা তৌবা, থক-খা, থকসি-খাসি মাঙখ্রবা, ‘মী মরক, শা মরক’ ওইরবা ঙসিগী মীরোলনি হায়বা য়াই। ঙসিদি হূ পুবা অশাবা নুংশিৎনা মায়কৈ থুংনা শিৎলবা লমদমসিদা মতু শোল্লবা থৱায় কয়াদি অকি অখং মরক্তা, মপূক্লিংগী ওইবা অপাম-পামদা ফোঙদোকচবা ঙমদনা তুজুং-মাঞ্জুংনা হিংলি। কনাগুম্বনা খাঙবা ঙল্লক্তবদগী অপাম-পামদা খজিক ফোঙদোক্লুবা মীওই কয়া নোংমৈ চিন্দোন্দা পুন্সি পিখম্নরি, কয়া অমনা শরু-শয়াং তেক্লা পুন্সিগী ওইনা খাঙুথক্তা শোয়নায়না লেল্লি।

মীওইবগী মনীং তম্বা হকপু মুন্দুনা য়াচল লাক্তুনা থৌরিবা অসিগুম্লবা লমদমসিদা, মীওইবা অমা ওইবগী চপ চাবা মগুন চেন্দুনা অচুম-অরান মনুং থিৎনা উবা ঙম্বগী থৌনা লৈনদ্রবদি, অশেংবদু ফোঙদোকচবা ঙমজদবা চমজরবা কয়াগী পুন্সিদা তেমশিংনরুবগী অচৌবা পাপ অমা লঙজবা ওইরোইদ্রা? হৌরকফম্বু হুলানবা মচিন-ময়া চোংবা, লমহেন-তুহেনবা খরনা কারন ফুরগা, পূম্নকপু লান্না উবদি হাফ ব্রেন ওইবা, খন্থবা ৱাৎপগী খুদম ওইরোইদ্রা? মতম অমগী মীরোন্দা কাঙলুপশিংগী মরক্তা, অমাঙ-অশেংগী য়াম্না শাথিবা খেন্নবা অমা লৈরম্বদু ঙসিদি তশেংনা লমদমসিদা লৈত্রে হায়বদা করিদা লানবা লৈগনি? মতমদুগী ওইরিবা ফীভম খঙহৌ-উহৌদ্রবা ঙসিগী মীরোলশিংনা ৱারৌনা হংলি, ‘করিগীনো মীতৈ ঐখোয়দা নাগা ওইখ্রবশিং অসিনা অসুক য়াম্না শাওরিবসি? লাইনীংনা মরম ওইরগা মতমদুগী অচাওরমদা তুংগী খন্থবা ৱাৎখ্রবা মীরোলদুগী অরানবনা, ঙসিগী মীরোলদা তাইনদুনা য়েক্নবগুম খনবদি লাল্লোইদ্রা?’

শেন্বীবা মপুগী মিৎয়েংদা অমুক হায়বা তারগদি, মীওইবশিংবু অৱা অনা কয়াদগী ঙাকপী কনবিনবা তাইবঙ হকচাং লৌদুনা মালেমদা কুমথবীরক্লিবা প্রভু যিশুনা মীওইবগী অৱা-অনা, পাপ কয়াবু মশাদা লৌশিনবীদুনা ক্রোষ্টা থৱায় থাবিরি, মীওইববু কয়াদা নুংশিবীরিবা। অসিগী ওন্না তৈনবা মায়কৈ অমরোমদনা প্রভু যিশুবু নীংজবনি হায়বা মচা-মনাই খরনা লমদমসিগী মীয়াম্বু নুংশি হৈতনা কংশি শিহন্নবা, অমগা অমগা হাৎনহন্নবা হোৎনবগুম তৌরি। অসিগুম্বা লাইনীংবু লৈখা তাহনবা মানবা থৌশিল, প্রভু যিশুনা য়ানিংলমগদ্রা? মীওইবনা মীওইববু ওৎপা, অসুক তমথিখ্রবা ৱাখল্লোন চেনবা মীওইশিংনা খৃষ্টমাস সেলেব্রেট তৌবগী ৱাহন্থোক লৈফম থোক্তে। মরমদি অসিগুম্বা ৱাখল্লোনশিং প্রভু যিশুনা য়াদে।

খাঙবা ঙম্নরক্ত্রবা, অশাউবনা থুক্মৎলবা চমজরবা মীয়াম্না, চরি তৎনা মায়কৈ কয়াদগী লাউনরক্লি, মীনুংশি, অৱা-অনা খঙদবশা নখোয়গী ইকনমিক ব্লোকেদ অথুবদা হন্দোকউ নৎত্রবদি ঈহিং নাইহিং তানগদৌরে, ঐখোয় ৱারে, খিরে। অদুবু লাউরিবা খোঞ্জেলশিং অসি তাবীগদবনা তাবিদ্রবদা খোঞ্জেল পূম্নমক অহাংবা মালংদা তিন্দুনা মাঙখ্রি। অৱা-অনা খঙদবা অসিগুম্বা মীনুংশি য়াওদ্রবা, মমীৎ তাঙলবা, মনা পঙলবা, মীওইবগী ৱাখল চেন্দবা মীওইশিংসিগী মতৌদা খাঙবা ঙমদ্রবা থম্মোয় শোক্লবী মচা চানবী কবুই ইমা অমনা খ্বাইরম্বন্দগী ইমা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা ‘গুদ ৱিল মিসন’ গী মীফম অমদা থম্মোয় শোক্লা অসুম্না তেংথাখি - ‘‘মমা অমনা মচা ওইবশিংদা হায়জবা নোঞ্জবা হায়বসি তাইবঙপানসিদা চৎনদবা, তৌনদবা ওইরগসু, ঙসিদি নমা ঐনা ইচাশিংদা খুরুমদুনা হায়জরি অসিগুম্বা তৌহৈদবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি অথুবদা হন্দোকপীয়ু’’। ৱাহৈসিদনি গুদ ৱিল মিসনগী তিল্লিবা য়ামখ্রবা মীয়ামদুনা মপূক্লিংগী অপেনবা খম থেংনা ফংনবগুম পেন্না খুনখিবা খুবাক, অদুগুম্বা খুবাক্তু লেম্না মাঙদবা ওইসনু। মমানা মচাশিংবু কয়াদা নুংশিজবা হায়বসিদা, কনাগুম্বা অশৈবশিংনা লৈসি-লৈথোন্দুনা থারবসু থাবতনা ৱাৎলগদবনি। থাবুং-তরা নাউপুদুনা অঙাং উনবা হায়বসি মমা ওইবীশিংগীদি খ্বাইদগী অরুবা তানফমনি হায়দুনা, নিঙোল পোকপী পলেম মমা পন্থৌ মপানা, নাওপুরিবী মমোম্বু পন্থৌ মরানয়াইদা কৌদুনা, ‘মমোম্না খোয়দাজবা তিল্লাং চুবা এঞ্জাংবু’ থোংদুনা তরা চাকপু পীজনরিবনি। অসুম্না খুদোংথিবা ময়াম মায়োক্নদুনা তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ খাক্লা শারেপ কাংদোঙ ফানবা য়োকচরক্লিবা মপারি মমোমশিংদা, ঙসিদি মমা ওইবীশিংনা হায়জা নোঞ্জ খুরুমজবা তারক্লি। হায়জখ্রে, খুরুমজখ্রে নুমিৎতুদা থৌনা ফৱবী কবুই ইমাদুনা। অদুবু অৱাবদি কবুই ইমাগী অপান্বদুদি ঙসি ফাওবদা থুংহল্লকখিদ্রে। মচাগী মফমদগী থাজনা ফিগাও শানা নিজখিবা বিক্ষা হাপ্পীরকখিদ্রবদা, মমা অমা ওইবগী ইকায়খুম্নবিরক্ত্রবি কবুই ইমাদো মায়থোং লুক্না ইকায়-নুংশি য়ান্নবা মিৎলু ঈরাং চেন্না লৈরমগনি খল্লুবদা, ইজরিবগী থম্মোয়দা অৱাবা ফাওরি।

তাঙ্খুল ইচিন ইনাওশিংনা তোংবা গাড়ীশিং খুরাইদা মীতৈশিংনা মৈ থায় হায়না চীংমী ইচিন ইনাওশিংনা মৈ থাবগী মরম খঙদনা অরানবা মওংদা পাউথোকপীখিবা য়াম্না নুংঙাইতবা নুমিৎ অদুমক্কী নুমিদাংৱাইরমদা লাইফম খুনৌ মখা লৈকায়দা লৈবা নাগারাম হায়না খঙনরিবা মফম অদুগী চর্চ অমদা মীতৈ অমদি তাঙ্খুলশিংগী সিভিল ওর্গেনাইজেসন ২/৩ অমদি তেন য়ুনিয়ন হায়না খঙনবা, য়ুনিয়ন ওফ সোসিয়েল অপলিফমেন্ট, খুরাইগা লোয়ননা খঙহৌদনা ওইরক্লিবা ফীভমদুগী, ইমর্জেন্সি মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা খন্ন নৈনখি। থৌদোক্তু করম্না থোকখি শেংদোকখ্রবরা অমদি মিটিংদুগী অতৈ ৱারমশিং তুবৎ নাতৈ শল্লগা, তাঙ্খুল ইচিন ইনাও অমনা হায়খিবা ৱাফম অমা লৌখৎচগে। য়ু এন সীনা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবা মতমদা তাঙ্খুল ঐখোয়না য়ানীংদবগী অকনবা রিয়েক্ট তৌদে হায়দুনা মীতৈনা ঐখোয়দা শাউই। মসিদা ঐখোয়না ৱাহং অমা হংগে - চীফ মিনিষ্টর ইবোবীনা থেংনবা ঙমদবদু, ঐখোয়না করম থেংনগদ্রা? তম্পাক্লম অমদি চীংদা ঐখোয়না করম হিংলি নখোয় খঙবিদব্রা? ঐখোয় করি তৌ হায়বনো হায়না য়াম্না সেরিয়স ওইনা হংবা ৱাহংদু, ঐখোয় পূম্নমক্লা য়াম্না তঙাইফদনা খঙজিনবা মথৌ তাই।

হৌজিক কাঙলুপ কাঙলুপশিংগী মরক্তা খায়বুং-খায়বুং নাকপাক-নাকপাক তানবা মানবা অমা লৈরিবা অসিগী মনুং অমদি মপানগী ওইবা অকূপ্পা মিৎয়েং খরা, মনুং থিৎনা খঙমিন-উমিন্নবা ঙম্নবগী ‘গুদ ৱিল মিসন’ মপাঙ্গল কলহনবা য়াম্নমক তঙাইফদবা ওইগনি মতাংসিদা মীতৈ কম্ম্যুনিতিগী ইচিন ইনাওশিংনসু হৌখ্রবা পুৱারী অমদি হৌজিক্কী ওইরিবা ফীভম মুন্না খঙনবা হোৎনবা চুমগনি। ইম্ফাল মনুংসিদা ফাওবা, হৈনৌ কেন্দুনা চাইনা তাবগুম, থোঙ্গাল, শুমাঙ-থেল্লোং, য়েনখা-লুখাদা বোম্না ৱায় চায়দুনা সেক্যুর ওইদ্রবা মতমসিদা চীংদদি করি ওইরমগনি। ৱাখলনা পংশা শাগৎনবগী মহুত্তা ফিল্ডদা প্রেক্টিকেল্লি য়েংবা চঙঙি। চীংগী লুচিংবা ইচিন ইনাও মীওই খরনা ইনহ্যুমেন ওইবা কয়া তৌনিং তৌনিংবদা তৌবগী হৈনবী অমনা, তম্পাক্কী মীওই কয়াদা হঞ্জিন হঞ্জিন অৱাবা পীবদগী খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ লানখ্রবা তম্পাক্কী মীওইশিংনা, খাম্বা য়াদনা মৈ হৌনা শাউরগসু খূৎ য়াওনদুনা ঈহিং-নাইহিং তানহৌদবা অসিমদি থোইদোক্লা থাগৎনীংঙাই ওই। মীতৈ কম্ম্যুনিতিনা মমাঙথক্তা শোয়খি-লানখিবা লৈবনা, ইচিন ইনাওনি হায়দুনা খাঙবা য়াবা খাঙদুনা লাক্লিবসিসু থোইদোক্লা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌনা অমনি হায়না লৌবদা লাল্লোই। অদুম্নমক্তি ওইরগা অনিংবা পান্দম ফংনবনি হায়দুনা হায়হৈ-তৌহৈদবা ময়াম অমা ঙাঙলি শক্লিবা, তৌরিবা এক্সন কৈদা অসিদি মালেমগী মীওই অমত্তনসু খাঙদুনা লৈবা ঙমগদবা মান্দে। হন্দক্কী মতাংসিদসু লুচিংবা খরগী ৱাখল্লোন্দদি ফুদা ফুরকউ, থিন্দা থিল্লকউ, অশি-অনা য়াওরকপনদি হেন্না ফৈ হায়না শিংদুনা ঙাইদুনা লৈরি হায়বসি, ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙজিনবা হায়বসিনা, হৌজিক অমদি তুংগী খ্বাইদগী অফবা ওইগনি। মরম অসি লৈবনা মীতৈ ফুরুপ্না অশেংবা ঈ মরী থিগৎতুনা মচিন-মনাও ওইবগী অপূনবা শক্তম শাগৎনবগী অচৌবা থৌদাং অদু লৌমিন্নরসি হায়বা ৱাফমসিনা ইজরিবগী আপিল ওইজগে।

# নাগা হায়ৱে

– ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ –
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর
দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর



*নাগাশিংগী* লৈবাকপু নাগলেন্দ হায়না কৌইদো। নাগা ওন্দুনা নাগাশিংগা পুন্না লৈমিন্ননীংলবদি নাগালেন্দদা ওইনা লৈবিয়ু। মণিপুরবু নাগালেন্দ ওন্থোক্নবগী ৱাখলদু থাদোকপীয়ু। মণিপুরগা নাগালেন্দগা তোঙান তোঙানবনি। লমখৈসু তোঙান তোঙানবনি। নাগা তাবা মফমশিং অমত্তা ওইনা পূনশিনগনি হায়বা ৱাফম অসিদি ন্যু দেল্লিনদি লায়রদনা নাগা মনুংদদা য়ানরক্ত্রদুনা লান কয়া তৌনদুনা মখোয় মশেল কন্না হাৎতোক্নরিবনি হায়বসি নীংশিংমিন্নবা ফৈ। তশেংবদি ‘নাগা’ হায়বা ৱাহৈসি মণিপুরদদি মীয়াম্নসু খঙনদবা, তাবদা য়াম্নসু শাওনবা ৱাহৈনি। মণিপুরদদি মাও, তাঙ্খুল, মরাম, অঙ্গামী, কবুই, চোথে, মরিং, কোম, অনাল, পাউমতানচিংবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংদি য়াম্না লৈ। নাগা হায়বা কাঙবুসিদি করম্বা মতমদা কদোমদগী করম্মাইনা ঐখোয়গী শোমদা চঙশিল্লকখিবনো হায়বগী ৱারী ৱাখোঙ অমত্তা পুয়াদা থেংনজদে।

মায়কৈ মরিনা ফিজেৎ ওইনবা মীওই কাঙলুপকী মনুংদা য়াম্না চন্নিংলিবা ঐখোয়গী য়েলহৌমী মরক্তগী থোরক্লিবা ঈ অমাংবা খরা অসি মীয়াম্না মশক মুন্না খঙনবা ঙাক্তনি। মরকসিদা ‘কুকি’ হায়বা অচৌবা ফুরুপ-কাঙলুপ অমসু কন্না শাগৎনরক্লিবনি। খুন্নাইলোনগী ৱাখল লৌশিংসু অমত্তা লৈতনা অদুঙৈ য়েক ৭, সলাই ৯ বু অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মীতৈ কৌবা অচৌবা য়াম্না খূৎকন পাঙ্গনবা ফুরুপ-শঙলুপ অমা শেমখিবগী পোরম অদুগুম্বসু অমত্তা খঙদনা নাগা হায়বা অম্ব্রেলা অমগী মখাদা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌমীশিংবু পুনশিন্দুনা তোঙানবা লৈবাক অমা শেমগনি হায়না খনজরিবা মখোয়গী অপঙ থৌনা অদুবুনি নুংশিবা পোক্লিবা। খৎনবনা মখোয়না হৌরগা কিবসু অমুক কিরিবা হায়বদুরা খঙদে, ইম্ফালদগী ময়ূমদা হনবা ঙমদ্রদুনা নাগালেন্দগী সী এমদা অমুক পাউহোল্লিবদুনদি।

ইন্দিয়াদা নাগালেন্দ হায়বা ষ্টেট অমা মতৌ করম্না করম্বা কান্দা শেল্লকখিবগে হায়বদুগী ৱারীদু ঙসি ফাওবা কনাসু কাউনবা নত্তে। অচুম্বা পুৱারীবু নমশিল্লগা ওইরোইদবা মঙলান্দা য়ূম্ফম থোন্দুনা ওইথোক্লোইদবা থবক কয়া অমা তৌরিবা ফুদিৎতা মাঙজোংলিবা মীওইশিং অসিগী ৱাখল অমদি থৌনাদু অঙকপনি। ৱাখলনা দলাল শাবা তাদুনা অদুম তোকচনি। তাদা মুইভানা লোইবা-য়োকপা খোঙমী-লান্মী খরনা মণিপুরগী চীংগী লম ময়াম মীঙোন্দা য়োন্থোক্নবা কাঙলম চেঞ্জরিবা কয়াসি করি থোকএদনা তৌজশারিবনো? ফত্তবা লাল্লোং অসিগী খূৎপুদা য়াওরিবা নাগালেন্দগী সী এমনা তোয়না তোয়না ককশাবী শারিবা, মীথিঙ্গাই ওইরিবা অমদি মীগী ইমুং মনুংদা খূৎ হেক হেক থিংজিল্লক্লিবসি নোংমদি লাই খূৎশাংবীগী মখূৎতু অমুক্তংদি থাঙশাংনা ককথৎপদি শোয়রোই।

অঙনবা মতমদদি লায়রদনা বৃটিশ ফাওবা নাগালেন্দ হায়বা লম অমা নোংমতা শকখঙবীরমদে। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী লমখৈ অসি কনা কনানা ঙাক্লম্বনো? সিদগী হেন্না চাওবা লমখৈশিং অদুগী ৱারীদি থম্বু থমখিসিনে। নাগা কৌবা কাঙলুপ অমতনা লমদমসিদা পান্দুনা লমখৈ ঙাক্লম্বগী পুৱারীবু অমত্তা থেংনদেনে। মীতৈ নিংথৌশিংনা মচিন-মনাও ওইরিবা য়েলহৌ চীংমীশিংগা খূৎশম্নরগা অমত্তা ওইনা লৈবাক অসি ঙাক্লকখিবনি। মরাল লৈজদবা গাড়ী মৈ পঙথাদা থারগা কৈদৌনদোইনো! গাড়ী দ্রাইভরদা নোংমৈনগা কাপশিল্লবসিদি থিঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা তাইনবা হায়বদুনি।

লমদমসিদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱেশিং অসি নাগাখক্তগীরা? অদু ওইরবদি লম্বীশিং অসি নাগা হায়ৱে হায়বদু তারেনে। ঙল্লবদি দিমান্দ তৌবগী তৌবা লম্বীশিং অসি অন্সম হায়ৱে নৎত্রগা য়ু এন সী হায়ৱে ওইনা মমিং ওন্থোকপীরো হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তগা তকশিলহৌরোদনা। চীংগী লমদা পুলিস কম্মান্দো অমদি আই আর বি থম্বা য়ারোই হায়না লূপ খরনা লাউরিবসিনা অমুক কমদৌরিবনো? চীংগী লমশিং অসি মণিপুরগী লম নত্তে হায়বা ইন্দিয়াগী তোঙানবা মেপকা লৈ-লাকপ্রা? লৈরবদি য়েংনিংখ্রেদা। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টগা য়াওব্রা খঙদে। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লমদমসিদা খুন্দা লৈতামিন্নরক্লবা ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা নুংশিনবগী মরী অসিদা য়ু এন সীগুম্বগী ব্লোকেদ মচা-মশু খরসিনগদি মনা নিকপীগদবা নত্তে। ফেভিকোন্দগী হেন্না ফবা গমশিংনা চেৎনা নপশিন্নখ্রবা অমত্তা ওইবগী অশেংবা মরীনি। হৌজিক্তি মখোয়গী লম্বীসি অসুম অসুম পীকশিল্লকপা অসিনা মরম ওইদুনা তৌরিবা নিংঙাই খরসিনা অদুম অরোইবী খোঙগাও তাদুনা তোকচখ্রদৌবনি। হৌগৎলকপদদি মখোয়খক্তগী ওইবা নীংতম্বা লৈবাক অমা হায়না কন্না তাল্লম্বদু শুম শুম কুইরক্লগা করি করিনোদা শুম ওন্থরক্তুনা হৌজিক্তি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট হায়না অমুক হায়রে। মথঙদা করি করি অমুক হায়বিরকখিদোইনো খঙদ্রি। বোম্না হৌরগা পোকলাওবীনা লোইশিনবা হায়বদু তারেদনা। য়াররোই অমদি ওইররোই খঙলদুনা কাঙলুপকী লান থোকহন্দুনা মখোয়গী অপান্বদু অমুক্তংবু ফংলবদি হায়দুনা অরোইবা খোঙ্গাও ওইনা মখল মখা কয়াগী চাওখৎ-চাওখৎত্রবা লাঞ্জং কয়া মথোং মরম খঙদনা চঙশিল্লক্কনি খনবদা তনবা অমা য়াওরে।

মীচম শোক্কনি হায়দুনা খূৎ হন্দবনি হায়বা ৱাফমসি তাবদদি য়াম্না ফজবা, তশেংবদি মীখা পোল্লিবা লৈবাকনিনা (নারেংদু লোয়লম মপুনা পায়খ্রবনীনা) ইরমদমসিদা য়েক্নবদা লান্দারক্লবা ফাওবদা খূৎ হনজবা ঙমদনা লৈরিব্রা নৎত্রগা অতোপ্পা মরমশিংসু লৈরিব্রা হায়বদু মীয়াম্না নৈনবা য়াম্না মথৌ তাই। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট শঙ্গানবা হোৎনবদা য়েক্নবগী মখূৎতা লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সনেলশিংদা লুপা লাক্ষ ২০/২০ গী মতেং পীরগনি লাউথোকখ্রবনিনা নুংকাও পোষ্টতগী নোংমৈ ময়াম অমা মুনবিখ্রিবদুগীদি করি মনা নৎত্রগা চৈরাক পীবীগদৌরিবনো? য়েক্নবদা খূৎ থাগেদি হায়দদনা লুপা লাক্ষ ২০/২০ গী মোইথেম্না মীয়ামগী শোক্লিবা থম্মোয়দি থেমজিনবা খক ঙল্লোই। য়েক্নবশিংনা লম্বীদা শেল মুনবা অমদি পোৎ চৈ লাক্লিবা কয়াসি খঙনা খঙনা থবক অমত্তা লৌখৎতবসি ঙসি ফাওবা মীয়াম্না খাঙ খাঙদুনা লাকখিবনি। মখোয়গীসু চাকথুং ফংবগীরা নৎত্রগা য়েক্নবশিংদুগী মখাদা লৈবনরা খঙদে মখূৎ মখূত্তু মকরাংদা লোৎশিন্দুনা লৈনরিবসে। অদুঙৈ য়েক্নবশিংবু ফারবা মতুংদা নুংঙাইনা থম্বীরম্বা মতুংদা সিফাই ঙাক্তুনা থোঙ্গাল ফাওবা থিনবীরুই হায়বা থৌদোক্তুনা ৱাখলদা করিনো অমা খলহনবগুমসু তৌই। চীংদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন কয়াদি খূৎলায় অমত্তা পায়দে হায়বসি তাবদা অমুক্কা হেন্না করি করিনো খল্লি। তোকঅসি শুম খল্লগা খোইদৌ য়াম্না শাউনীংলক্কদৌরে।

# ব্লোকেদ অমসুং প্যেন কিল্লর

## কৈথেল্লাকপম লন্দন

*কোক* চিকপদনা ক্রোসিন, লিভর নারগা লিভসাভ, খোঙ হাম্বগী ও আর এস… মথঙ মথঙ অমগী মথঙ অমা, অমা হৌরকপগা চাবা চাঙ নাইনা চাবা, চাঙ নাইনা হৌবা, চাঙ নাইনা চাবা মদুসু ফার্মাসিদা হংলগা। হীদাক চিনফা পুরে নারিবশিংদুগী লায়ওংদু করিনো খঙদ্রবসু, ডোক্তর তানদ্রবসু য়ারে।

মণিপুরগী নেসনল হায়ৱেশিংদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরক্লিবসি থা অনী হেনজিল্লক্লে। লায়নাসে চহী হেক খুদিংগী হৌরক্লিবসে চহী য়ামশিল্লক্লে। সেন্টরগী মপানসু প্যেন কিল্লর বটালিয়ন থারকখ্রে। মমা ষ্টেটনসু সী দি ও, এম আর, আই আর বিনচিংবা প্যেন কিল্লর ময়াম পীজখ্রে। অদুগী মথক্তা সী এস ও কয়াগী মাইবা, অখঙ অহৈ কয়ানা লাইশোন তিনশোন কয়া শোন্দুনা হোৎনরি, ফরব্রা? ফরকপা য়াই। থা কয়াগী মতুংদা অমুক হৌরক্কনি? মতম চুপ্পগী ওইনা ফখিগনি হায়বা ঙম্ব্রা?

থাজবা খরা ৱাৎকনি প্যেন কিল্লরনা লায়না অমা মতম চুপ্পগী ফখিবা হায়বসি তাঙনা থোক্কনি। বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, টুটেল শট দাউন, ঙসি অমা লোইখিগনি হয়েং অমমুক হৌরক্কনি। ককথৎকনি চোংখৎকনি, য়ান্থৎখিনি হৌগৎলক্কনি, ফান্দোক্কনি থিনগৎলক্কনি, ইকায় খঙদবীনি হায়বিরবসু শেন্বাং কাকথুমগী মরালবু করিনো? লাল্লিবদি ফানদৎলিবদুনি মরমদি শেন্বাং ককথুম্বু মখ্বাংদা ককথৎলগা লোইশিনবা ঙমগদ্রা? জঙ্গল কট্টিং কাপশিল্লগা মুখৎপা ঙমগদ্রা?

হৌজিক্কী লাইরিক হৈরবশিংদি পাঙ্গলগী মহুত্তা লৌশিং শীজিন্নরে। জঙ্গল কট্টিংনা পুং খরদা শুমাং পূম্বা পুমনাল নালহল্লে। মমাঙঙৈগী লাইরিক হৈতবা অহলশিংদি নোংমগী য়োৎপাক লৈরোল মঙা/তরা তৌরগা মরু ফুকপীরম্মী, মতম চঙই। পাঙ্গল ময়েং তাই তৌবদবু চারোলফাওবা চৎলি। পাঙ্গল খাকচিল্লগা লৌশিং শীজিন্নবসি চাওজল ফানা চৎতে, মরমদি মদু মশানা খঙজবা হোৎনজরগা পুথোকপা লৌশিং ওইদে। মীপান তাংবা লৌশিং ওই। শেন্ব্রাং কাকথুমদা জঙ্গল কট্টিং কাপকনি খল্লবা, কোক চিক্লগা ক্রোসিন চাগনি খল্লবা, ব্লোকেদ তৌরগা আর্মি থাজিনগনি খল্লবা, মণিপুরগী ৱা খন্নবদা মোদি, গান্ধীগী য়াকা য়েংলবা, লূপকী আইদিওলোজিনা মাঙ থাবা লুচিংবা য়াল্লিবমখৈ ঙসি থোক্লিবা ৱাথোকশিংসে মতম চুপ্পগী ওইনা লোইশিনবদা অৱাবা অমদি ওইবসু য়াই।

ঙসি মণিপুরগী মীয়াম্না ৱারিবসে কোংগ্রেস, বি জে পিগুম্বা নেসনল পার্টিশিংগী মিটিং তৌরিবমখৈ, এদভোকেটশিংনা লো ফাক্লিমখৈ, লাইরিক হৈবা লুচিংবশিংনা টি ভি, রেদিও অমদি খন্না নৈনবদা মীয়াম্না খুবাক খুনবা ৱা ঙাঙলিমখৈ, লূপশিংনা প্রেস রিলিজ মরাং কায়না থোক্লিবমখৈ অদুমক খাঙখিবা তারিব্রা? মরমদি নারিবসে কেন্সরনি, কোক চিকপা নত্তে। খনখৈ খন্নরগা ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সননি কায়রগদি কোক চিকপগা খেন্নবা ইরৈ লৈত্রে।

হন্দক থা অনী/অহুমসিদা ৱারিবা খন্না নৈনরিবা ময়ামসে অয়াম্বনা হৌরকফম ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতগী লোইনমক হৌরকপগুম তৌই। ষ্টেট গভর্ণমেন্ট করপটেদ ওইবা, চীংগী লমশিংদা দিভলপমেন্ট য়ৌদবা, চীংদা লো এন্দ ওর্দর য়ৌদবা, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মখোয় মখোয়গী পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা, ইলেক্সন্দা কেন্দিদেট মীয়াম্না শেল লৌবা, থবক হাপ্পদা এম এল এ, মিনিষ্টরনা মীয়ামদগী শেল লৌবা, কয়াশিং অসিনা ঙসিগী ৱাথোক লান্থোক অয়াম্বা থোরকপনি পূম্নমকসিদগী সোল্ব তৌগে হায়রবদি অফবা, শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈঙাক অমা লৈবা মথৌ তাই হায়বগুম্মী। ৱাফমশিং অসিদনি মীচম মীয়াম্নসু চুম্মী হায়না খল্লিবসি, অদুবু মতাং অসিদা হংনীংলিবদি ইন্দিয়াগী ইলেক্তোরেল পোলিটিক্সনা পূন্না মসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগদৌরিব্রা? করিগীদমক্তগা অখঙ অহৈশিংনা ইন্দিয়াগী ইলেক্তোরেল পোলিটিক্সতা লাইথ্রৈ তৌরিবনো? কোংগ্রেস, বি জে পিগী ফলাদা তোংলগা মতম মতমগী ৱা ঙাঙবসিনা য়াগদৌরিবরা?

তশেংনা চমম্নরে প্যেন কিল্লর পীজরগা কয়াম কুইনা নমশিন্দুনা থমখিগদগে? লায়ওং থিমিন্নসি, মরুদগী হীদাক থাসি, তূম্বা চাবা, লমচৎ শাজৎ পরম থমসি, নারিবসে কেন্সরনি। কেন্সরগী হৌরকফমদি ইন্দিয়াগী ইলেক্তোরেল পোলিটিক্সতুনি। মরম অদুনা মণিপুরগী মীয়াম্বু কেন্সরদগী কনসি হায়রবদি ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনবু শিংনবা ঙম্বা তাই। দেল্লিগী থৌরি কোঙ্গোইদগী নান্থোকপা তাই। মদুমক্লা ইন্দিয়াদগী তোখাই তারসি হায়বা নত্তে। ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন মনুংদা মণিপুরনা করম্না লৈগদগে হায়বা সিষ্টেম হোংবা চঙই। য়ানা য়ানবা খুন্নাইগী উচাল মপূং ফানা কায়রমক্তদা অমুক হন্না সিষ্টেম অমা শম্বা ওইথোক্লোই। ঙসি নারিবা লায়নাসে খুন্নাইগী উচাল কায়থরকপগী মহয়নি। ঐখোয়না কায়থরকপতবু ঙাইজরিবা মীদুদা শেমজিনবিয়ু হায়দুনা চঙলুবা হায়বসি লায়ওং খঙদবা তাগনি। মরম অদুনা খুন্নাইসি কনসি হায়রবদি প্যেন কিল্লর থাবগী মহুত্তা লায়ওং খঙনা হীদাক থামিন্নসি থাবিয়ু।